**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-04-2025)**

**মেসেজ (এল)ঃ** খোঙজোম নুমিৎকা মরী লৈননা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-হনবা লৈত্রবা থৌনা অমসুং কৎথোকপনা মপুং ওইবা ইপা-ইপুশিংনা মমা লৈবাক নীংতমবগীদমক লানফমদা থৱায় থাখিবশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। থৌনা ফরবা অকিবা লৈতবা, মরৈবাক-মজাতিবু নুংশিজবা, হনবা লৈতবা ইপা ইপুশিংগী থৌনাবু ঐখোয়না মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈরগনি।

রাজ্যপালনা হায়-১৮৯১ গী খোঙজোম লানদা মরৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিংনা লমদম অসিবু অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্ননা, নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবা পাউজেল পীরম্মী। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নদুনা ইপা ইপুশিংগী পামজরম্বা লম্বীদা মাংলোমদা চংশিনদুনা চাউখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থারসি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-খোঙজোম লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা লৈখিদ্রবা অথৌবা ইপা-ইপুশিং অদুগী মরৈবাক নীংবা, কৎথোকপা অমদি মখোয়গী থৌনাবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** খোঙজোম নুমিৎ পালন থৌরম হয়েং পাঙথোকবা থৌবাল জিলাগী খোঙজোমগী খেবা চিংদা শেম শাবা লোয়রে।

থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী আর্টিসশিংনা সংকৃটন

পাঙথোক্তুনা হৌদোক্কনি।

তুংদা, রাজ্যপালনা লুচিংদুনা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল অমদি পাউনা ব্রজাবাসিগী মীতমদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎকনি অমদি খোঙজোম তুরেলদা তর্পণ কৎকনি।

দি.আই.পি.আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-পালন থৌরম অসিগা মরি লৈননা রুপমাহল থিয়েতরনা খোঙজোম লান হায়বা দ্রমা অমা উৎকনি অমদি অতৈ নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ কয়াসু পাঙথোক্কনি।

**গাড়ি (এল)ঃ** খোঙজোম নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা ইম্ফালদগী খোঙজোমগী খেবা চীং ফাওবা চেনগদবা বসশিং মীয়ামগীদমক থৌরাং তৌদুনা থল্লে। বসশিং অসি ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট কমপ্লেক্স, কোইরেঙ্গৈ, চীংমৈরোং, পোরোম্পাৎ, তেরা বজার, রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরদগী অয়ুক পুং ৬ মখায় চপ চানা লমথাগনি।

**আর্থ (এল)ঃ** মালেম শিনবা থুংনা ঙসি আর্থ ডে নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লি। কুমশি চহি অসিগী নুঙগী ওইবা ৱারোলদি-'ঐখোয়গী শক্তি, ঐখোয়গী গৃহ' হায়বসিনি।

মনিপুরদা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পালন পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা হায়-তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয় পুমমকা মালেম অসিবু কন্নবা পুন্না হোৎনমীনসি। ঐখোয় পুমমকা অশঙ অমানতনা থল্লবা মালেম অমা ওইহল্লগনি।

পালন থৌরম অসি চান্দেল জিলাগী জাফৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা-চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা পাঙথোকখি। স্কুল অসিগী অকোইবদা উ চারা

কয়াসু থাখি।

ককচিং জিলাদসু থৌরম অসি ককচিং পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখি। স্কুলগী অকোইবদা উ চারা কয়াসু থাখি অমদি লাই য়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

দি.এম. কলেজ টিচরস এদুকেসননসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা ষ্ট্রিট প্লে উৎতুনা পালন থৌরম পাঙথোকখি।

শিংজমৈ চিংঙা মখা হায়স্কুলদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। নুমিৎসিগা মরী লৈননা পিশুম চিংঙাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জোন (ৱান) গী দি.আই, ওজা অমদি মহৈরোইশিংনা পুন্না উ চারা কয়াসু থাখি।

শগোলবন্দ অপর প্রাইমারি স্কুলদা আর্থ ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াগী চৈরাউ চিংদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মনিপুর সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

**মোরনিং (এল)ঃ** পোপ ফ্রান্সিসনা লৈখিদবদা রাজ্য অসিনা নুমিৎ নিনি অৱাবা ফোংদোক্লি।

মনিপুর সরকারগী জি.এ.দিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য সরকারনা মহাকপু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা জাতিগী ফিরাল তঞ্জায় চিংথগনি লোয়ননা সরকারগী ওইবা হরাউ কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোক্লোই।

**কাউ (এল)ঃ** নেসনেল মীসন ওন নেচরেল ফার্মিংগী মীৎয়েং মখাদা কলেজ ওফ এগ্রীকলচরনা শিনদুনা নাগালেন্দ অমদি ত্রিপুরাদগী সাইন্টিষ্ট অমা, ফামর মাস্তরস ত্রেন্নরশিংবু মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম ঙসিদগী কলেজ ওফ এগ্রীকলচর-ইরোইশেম্দা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী দিন-প্রোফেসার-ইন্দিরা সরাংথেমনা হায়-

ত্রেন্নিং য়াওরগা ফংল্লকখিবা লৌশিং-গ্যান অদু নীংথিনা লৌমীশিংদা য়ৌহল্লবদি ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈগনি। মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপতা খ্বাইদগী মরুওইবসি হান্নদগী চৎনদ্না লাকপা মচৎ অদু ঙাক্তুনা থম্বনি। লৌমী অমনা হায়রিবা লৌউ পথাপ অসিগী অনৌবা মখলগী খুৎশু-খুৎলায় অমদি লৌউ পথাপশিং শিজিন্নরবদি মায় পাকপা অমদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা সি.এ.য়ুগী দাইরেক্তর ওফ রিছার্স-এল.এম. দরনায়ক অমদি সি.এ.ওগী প্রোফেসারশিং-নাগালেন্দ অমদি ত্রিপুরাদগী লাকপা সাইন্টিষ্ট অমসুং মাস্তর ফামরসশিং শরুক য়াখি।

**কেভিকে (এল)ঃ** কে.ভি.কে. চান্দেলনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর. মনিপুর সেন্টরগী লোক্তাক ফামরস হোলদা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা নেসনেল ইনোভেসন এন্দ ক্লাইমেট রিজিলিয়ান্ট এগ্রীকলচর (এন.আই.আর.সি.এ) প্রোজেক্টকী মখাদা নোংমগী ওইবা কেপাসিতি বিল্ডিং কম ইনপুট দিষ্ট্রিব্যুসনগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কে.ভি.কে. চান্দেল এন.আই.আর.সি.এ. প্রোজেক্টকী নোদেল ওফিসার-ডাঃ কে. সোনামনিনা হায়-থৌরম অসি মহৌশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু থেংনবা অমদি খরমখৈ কোকহনবা ঙমবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। নোংজ্ নুংশা ওন্নরকপনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা নীংথিনা মহৈ মরোং পুথোকপা ঙমদবা অসি কোকহন্নবগীদমক নোংজ্-নুংশা খাঙবা ঙম্বা মহৈ-মরোংশিং লৌমীশিংনা খঙনা থাবগী তঙাইফদবা লৈ।

**রিলিফ(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদুকেসন দিপার্টমেন্ট জিলা অসিগী

ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা স্কুল বেগশিং খুৎশিন্নখ্রে। তেংবাং অসিগীদমক রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবশিংগী মায়কৈদগী জিলা অদুগী এদুকেসন দিপার্টমেন্টপু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দর্দরদ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পোক্সো এক্ট, জ্বিনাই জষ্টিস এক্ট অমসুং বেসিক চাইল্ড রাইটসকী মতাংদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদু লিগেল এদ ক্লব প্রোজেক্ট (জি) অমদি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতি ইম্ফাল ৱেষ্টকা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমদুদা রিছোর্স পাসনশিং এক্টশিং অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী হোম গার্দশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা অনৌবা মেনেজিং কমিতি শেমবা, এসোসিয়েসনগী মেম্বরসিপ রিন্যুয়েল তৌনবা অতৈ মখা তাবা এসোসিয়েসনগী থবকশিং মায় পাকা পাঙথোকপা ঙমবা প্রসিদেন্টতা অহেনবা শক্তি পীবনচিংবগী ৱারেপশিং লৌখি।

**এনসিসি (এল)ঃ** চহি অসিগী গনতন্ত্র নুমিৎ পালন থৌরমদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী এন.সি.সিগী কাংবুশিং রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি রাজ ভবনদা তরামা ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা গনতন্ত্র দিবস পালনদা শরুক য়াখিবা এন.সি.সিগী

কেদেদশিং অমদি ওফিসিএলশিংবু রাজ্যপালগী মায়কৈদগী পুকিং থৌগৎখি।

**ইগজাম ঃ** য়ুনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি) না লৌবা সিভিল সার্ভিস পরিক্ষা-২০২৪ গী ফল ঙসি লাউথোক্লে।

পরিক্ষা অসিদা পুন্না কেন্দিদেট লিশিং ১,০০৯ মায় পাক্লে। মসিগী মনুংদা নুপী ২৮৪ অমসুং নুপানা ৭২৫ নি। খ্বাইদগী হেন্না মকোক থোংবা কেন্দিদেট ২৫ গী মনুংদা নুপী ১১ অমসুং নুপা ১৪ য়াওরি। খ্বাইদগী হেন্না মকোক থোংবা কেন্দিদেট মঙাগী মনুংদা নুপী অহুম অমসুং নুপা অনি য়াওরি। পরিক্ষা অসিগী খ্বাইদগী মকোক-শক্তি দুবেনা তারে হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, পরিক্ষা অসি মমাং চহিগী সেপ্তেম্বরদা অইবগী চাংয়েং পাঙথোকখিবনি। মসিগী তুংদা, চহি অসিগী জানুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা পার্সোনেলিটি টেষ্ট পাঙথোকখি।

**জিতেন্দ্র ঃ** সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-চহি অসিগী ওইনা স্তার্টঅপ য়াওনা ন্যুক্লিয়ারগী লমদা সরকার অসিনা শেন্থুং থাদনবা থৌরাং তৌরে।

মন্ত্রিনা হায়-থৌরাং অসিনা মীওই কয়াদা কান্নবা ফংহল্লগনি অমসুং মরুওইনা রিছার্স তৌরিবা মীওইশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

হায়দ্রবাদতা সি.এস.আই.আর. স্তার্ট অপ কনক্লেপ হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক্কী মতম অসিদদি প্রাইবেট সেক্তরশিংনসু রিছার্সকী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা শেনফম থাদবা তঙাইফদে। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিবু মালেমগী ইকোনোমিদা অহুমশুবা লৈবাক ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মসিনা শেন্মীৎলোন হেনগৎহনদুনা লৈবাক অসি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা অহানবা য়ুনাইতেদ সাউদর্ন এরিয়া ইন্তর ভিলেজ কপ ২০২৫ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ন্যু ৱাংপরালনা লিটানবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-খুরিংমুলনা লিৱাচনিংবু পাঞ্জল ১-২ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সেক্তাদা চথুরিবা তরুকশুবা সেক্তা ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দি.সিবু গোল্ড এফ.সি-কিয়ামগৈনা পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, দোনা এফ.সি-কোইরেঙ্গৈনা লাইনিংথৌ এফ.সি. সেক্তাবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগা অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি তাওথোংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা কে.এ.এস.সি. খুমিদোকনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট -৮ থোইখি।

খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা এ.এম.সি.এ. থৌবালনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ (টু) পেচু লম্পাকপু রন-১১৩ থোইখি।

মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ব্ল হোগ খুরাই লমলোংনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু রন-২৪৫ দা থোইখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা এস.য়ু. শগোলবন্দবু থোইখি।